## রোবিতা চরা হেনবা থুপচিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ

য়াইরিপোক্তগী লাল্লগা কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবী অরাম্বম ওংবী রোবিতানা ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদগী মফম হোং হোংদুনা চরা হেনবা চথরম্বা অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরমদগী থুপচিনখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না মহাক ঙরাং নুমিদাংৱাইরম কোংবা বাজারদা চরা হেনবা চথরম্বদগী ঙসি অয়ুক উখুল তাউনদা চরা হেনবা চথবগা লোয়নননা মফম অদুদা পাউমীশিংগা উনরমখি। রোবিতাগী মপুরোইবা হিরানা রোবিতানা পীল্লিবা মচা অনী লৈনা লৈনা চরা হেনবগী খোঙজং চথবা অদু য়ানিংদবদগী মহাক মশা মতোমতা ওইনা শিজরগনি হায়রকপদগী হিরাগী অপোকপা মপা অমসুং রোবিতাগী মমা য়াওনা ঙসি উখুলদা চরা হেনবগী খোঙচং চথরিবী রোবিতাবু লৌরুরগা য়াইরিপোক্তা লৈবা ময়ুমদা পুথবগা লোয়নননা মহাক্কী চরা হেনবগী খোঙজং অদু থুপচিনখ্রে হায়রি।

## য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ : ইন্দিপেদেন্স দে, ২০১৬না লাকপদা মীয়ামদা আই জি এ আর (সাউথ) মেজনর জেনরেল বি এস শ্রীনিভাস, বি এস এমনা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হেদক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২শুবা এ আরনা শীন্দুনা ঙরাং থৌবালদা এক্স-সার্বিসমেন রেল্লি পাঙথোকখ্রে। এক্স-সার্বিসমেন রেল্লি অদুদা এক্স-সার্বিসমেন ৩৭ অমদি মপুরোইবা লৌখিদ্রবী তরেৎনা শরুক য়াখি হায়নু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ ঃ সঙ্গিৎ নাটক একাদেমী ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা রঘু লৈশাংথেমনা ইবা *খুঙ্গংগী চীঠি* হায়না মীংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক্তগী ইংলিসতা ত্রান্সলেসন তৌবা *লেট্টরস ফ্রোম দ ভিলেজ* হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি জে এন দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রো. নাওরেম খগেন্দ্র ভাইস চাঞ্চেলর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, এল ওপেন্দ্রো শর্ম্মা প্রসিদেন্ট নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি, ইম্ফালনা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রো. হুইরেম বেহারী কনভিনর সাহিত্য একাদেমী এদভাইজরি বোর্দ, মণিপুরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। জে এন মণিপুরী দান্স একাদেমীগী ফোর্মর দিরেক্তর এল জয়চন্দ্রনা লাইরিক মশক তাকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা প্রো. বেহারীনা হায়খি, ত্রান্সলেসন তৌবগী সাহিত্য একাদেমীনা শেন্থং পীবা হায়বসি কুমজা ২০১৮ তগীদি পীররোই। ওরিজিনেল ওইবা লাইরিক্তা তৌরো হায়বা ৱাফম অমা লাক্লে। মরম অদুনা ত্রান্সলেসন তৌবা হায়বসিদা য়ারিবমখে ঐখোয়গী ওইবা লাইরিকশিংদগী ইংলিসতা ফোঙনবা তৌহৌসি।

## কষ্টমস এন্দ ট্রেদিসনল ওবজার্ভেসন দে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ ঃ কষ্টমস এন্দ ট্রেদিসনল ওবজার্ভেসন কম্মিটি, নোংমৈবুং অয়াংপল্লি রোদনা শীন্দুনা ১৮ শুবা কষ্টমস এন্দ ট্রেদিসনল দে ২০১৬ ঙসি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়র সেরাম সুনিল, রাম লাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এন ইবেচৌবী, থাংজম এগ্রো ইন্দষ্ট্রিজগী মেনেজিং দিরেক্টর টি ঐচ জয়কুমার অমসুং প্রজা হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস টি ঐচ ইবেসনানচিংবনা দেজদা ফমখি।

## পেট্রিওটস ডে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ

লোয়োলা স্কুল বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ঙরাং অথৌবা বির টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরল অমসুং মরৈবাক্কীদমক্তা মথ্বায় কৎখ্রবা কয়াগী মফমদা লৈ-শু কত্তুনা পেট্রিওটস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তিনখিবা মীওই কয়ানা মরৈবাক নিংবগী মরমদা ৱা ঙাংখি লোয়নননা ইন্টর হাউস পেট্রিওটস সোং এন্দ রিসাইটেসন কম্পিটিসন্নচিংবা পাঙথোকপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা থৌরম ওইখি। দেলটা গ্রুপ ওফ ইন্সটিট্যুসন্স ক্বাকৈথেল এয়রপোর্ট রোদনা শীন্দুনা ঙরাং মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ইন্সটিট্যুট অসিগী কোচিং সেন্তরদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অথৌবশিংগী শক্তমদা লৈ-শু কৎলবা মতুংদা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মতুংদা মহৈরোয়শিংনা শৈরেং, ঈশৈ শৈদান্নবা অমদি ৱাহং পাউহং কুইজনচিংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

## অফস্পাগা মরী লৈননা খন্ন-নৈনবা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ

অকনবা অঙম্বশিংনা অশোনবশিংবু নৈহৎপা য়াদে, মান্নবা মীৎয়েংদা থমগদবনি হায়বসি ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনদা য়াওরিবনি। মণিপুরদা চৎনদবগী ৱানি। লোনা অচুম্বা তৌদ্রবদি মীয়াম হিংবা ঙম্লোই হায়না হ্যুমেন রাইটস এলার্টকী দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা শীন্দুনা য়ুনাইটেদ নেসন্স এন্দ অফস্পা ১৯৫৮ হায়বা হিরম অসিদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি নোর্থ এ ও সীদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. এম প্রমোদ, এল এম এস লো কোলেজ, য়ু নবকিশ্বর, কনভিনর, এন ঈ দি এফ, এ মুবি, সিনিয়র জর্নেলিষ্ট, অনুবাভ দত্ত টিৱারী, রিছার্স এসোসিএট, সেন্টর ফোর হ্যুমেন রাইটস ষ্টদিজ, জিন্দাল লো স্কুল, বব্লু লোইতোংবম, দিরেক্টর, হ্যুমেন রাইটস এলার্ট অমসুং এল সিবানন্দ, এদভোকেট, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

বব্লু লোইতোংবমনা মখা তানা হায়খি, মণিপুরদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগী মরী লৈনবা ৱারোলশিং অদু ইমুং-মনুংনা পুথোকপীরকউ। সুপ্রীম কোর্টনা মতম পীরিঙৈদা হোৎনহৌরসি। মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোক্নবা হোৎনবদা হৌখিবা কুমজা ১৯৮০ দগী মীয়াম অমদি উকিল কয়ানা হোৎনদুনা লাকখি। সিনিয়র জর্নেলিষ্ট য়াম্বেম লাবানা ইহান হান্না সুপ্রীম কোর্টতা চে থাখি। মৈরা পায়বী ইমা ময়াম্নসু মপারী ওইরিবশিংবু কন্নবা হোৎনদুনা মীয়াম মাঙদা থোরকখি। মদুগী মতুং হ্যুমেন রাইটস এলার্ট শেমদুনা থেংনবা হৌরকখি। শর্মিলানা চরা হেনবা তোল্লগা খোঙজং অসি লোইশিনবসু য়ারোই। শর্মিলানা তকশি শোন্দুনা ঈকায়বা নংদুনা লৈহৌরিবা অসুম্না লৈহৌদনবা ঐখোয় পুন্না হৌদুনা খোঙজং চঙশিনবা তঙাইফদে। মপুরোইবা অমদি মচা লৈখিদ্রবশিংনা থেংনহৌরিবা অৱাবশিং অদু চৈরাপ কোর্টতা ওফিস হাংদুনা লৈরিবা ইভফমদা লাকপীরগা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকপীয়ু।

থৌরম অদুদা এন প্রমোদনা হায়খি, লো শেম্বা হায়বসি কনষ্টিট্যুসনগী প্রোভিজনগা মরী লৈননা শেমগদবনি। ফেক এনকাউন্টর হায়বসি জষ্টিস জিবন রেদ্দিন কম্মিসন্নসু য়াদে। মরম অদুনা অফস্পা অসি মতমগা চুনদ্রবা এক্ট অমনি। কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তনি। ষ্টেটনা সেন্টরদা পামদ্রে হায়রগদি ষ্টেটনা পামদ্রবদি সেন্টরনা লৌথোক্কদবনি।

## ‘*হাউসিং ফোর ওল*-২০২২গী মখাদা য়ুম শাবদা তেংবাঙ পীগদৌরিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌসি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) :

মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এন্দ অর্বান পোভর্টি এলিভেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎলক্লিবা হাউসিং ফোর ওল-২০২২গী মখাদা য়ুম শাবদা তেংবাঙ পীগদৌরিবা অসিগী খুদোংচাবশিং মীয়াম্না লৌহৌসি হায়না মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট এজেন্সী (মুদা)গী সেক্রেটরি নেপ্রম গীতকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মুদাগী স্পোন্সরশিপ মখাদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না শীন্দুনা স্বাছ সুরভেক্সন-২০১৭ অমদি হাউসিং ফোর ওল-২০২২ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগী ওইবা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মুদাগী সেক্রেটরি নেপ্রম গীতকুমারনা হায়খি, অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগী মনুংদা য়ুম শাবগী মথৌ তাবা মীওইশিংদা মতেং পাংনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এন্দ অর্বান পোভর্টি এলিভেসন্না থৌরাংশিং পায়খৎলক্লি। কুমজা ২০২২ ফাওবদা অর্বান এরিয়াদা য়ুম নীংথিনা লৈহনবা হায়বা থৌরাং মখাদা স্কিম অসি পায়খৎলকপনি। স্কিম অসিগী মখাদা য়ুম শানবা এপ্লিকেসন থারকপশিংনা লুপা লাখ ১.৫ ফাওবগী গ্রান্ট ফংবা য়াই। লোন ওইনা লৌবসু য়াই। লোন লৌবদা সবসিদি পীগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঈ-পাউশিং আই এম সীদগীসু লৌবা য়াগনি। ফোর্মসু লৌবা য়াগনি। ৱেবসাইটতা হীরম অসিগী মতাংদা ইনফোর্মেসনশিং হাপ্লে। কনাগুম্বনা ওনলাইন্দা ফোর্মশিং থাজিল্লকপা য়াগনি। তঙাইফদবা ইনফোর্মেসনশিং নীংথিনা খঙহৌরগা হাউসিং ফোর ওল-২০২২গী খুদোংচাবশিং অসি লৌহৌসি।

স্বাছ সুভেক্সন-২০১৭কী মখাদা লৈবাক অসিগী সহরশিং লু-নানবা চাংদম্নবগী থবক অমা পায়খৎলক্কদৌরি। কুমজা ২০১৭কী জন্যুৱারীদগী সিটিশিং লু-নানবা চাংদম্ন রক্কদৌরিবা অসিদা ষ্টেট অসিগীসু করি থবক পায়খৎহৌবা য়াবগে হায়বদু খন্ন-নৈনবা চঙই। অসিগুম্বা মীৎয়েং অসিদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনবনি। হাউসিং ফোর ওল-২০২২গী ওইনা অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা য়ুম নীংথিনা লৈতবা য়ুমশিংগী ওইনা য়ুম শারকপা মতমদা মতেং পীদুনা য়ুম নীংথিনা লৈহন্নবগী থৌরাংনি। অসিগুম্বা হীরমশিং অসিগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা মথোই তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংনা স্কিম অসিগী খুদোংচাবশিং লৌবা য়াগনি। স্কিম অসিগী থবকশিং পায়খৎলকপা মতমদা মোনিটর নীংথিনা তৌগনি। বেনিফিসরি ওইগদবশিংনা য়ুম শাবগী থবক হৌরকপা মতমদসু ওফিসলশিংনা ইন্সপেক্সন চৎকনি। স্কিম অসিগী মখাদা কাঙলোন চুম্না থবক পায়খৎলমদবা তারবদি শেলগী তেংবাঙ ফংবা য়ারোই। ইনকম নেম্বা ইমুংশিংনা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি। য়ুম পাল্লবা নুপা-নুপীশিংনা মশাগী তোঙানবা য়ুম অমা শানবা হোৎনরকপা মতমদা স্কিম অসিগী মখাদা খুদোংচাবশিং লৌবা য়াগনি। অসিগুম্বা কানরবা স্কিম অসিগী খুদোংচাবশিং অসি লৌহৌনবা মতম চানা ফোর্ম লৌবা অমদি মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অমজুগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু শমজাইনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মুদাগী মায়কৈদগী রিসোর্ছপার্সন কয়ানা স্বাছ সুরভেক্সন অমদি হাউসিং ফোর ওল-২০২২গী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

## মণিপুর লেবর য়ুনিয়ন শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর লেবর য়ুনিয়ন শেম্লে হায়না ঙসি য়ুনিয়ন অসিগী চ্যেরমেন ওইনাম প্রদিপনা লাউথোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ওইনাম প্রদিপনা হায়খি, মণিপুর গেজেটতা য়াওরিবা নোংমগী মিনিমম ৱেজেজ ওইবা খুৎশুমল অসি লুপা ১২২.১০ নি। হায়রিবা খুৎশুমল অসি নোংমদা পুং ৮ থবক শুবগীনি। হৌজিক হৌজিক ব্রিক ফিল্ডদা থবক শুবদা নোংমদা লুপা ১৪০ ফংবা য়াওরি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক মতমদা হিংবদা নোংমদা লুপা ৫০০গী চাংদা চঙশিল্লক্লে। তম্পাক্তা পুং ৮ থবক শুবদা লুপা ৫০০ অদুগা চীংদা লুপা ৬০০ পীনবা রিকম্মেন্দেসন অদু ইপ্লিমেন্ট তৌনবা হৌখিবা কুমজা ২০১৩ গী ওক্টোবর ১ দগী তকশিন্দুনা লাক্লি। মণিপুর লেবর য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ভুমখেন থাংনা অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ জাতিশ্বরনা ওইরগনি।

## সাইন্স সেমিনার

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ : জোনেল এদ্যুকেসন ওফিস, ৱাঙ্গৈইনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিস কমপ্লেক্স, ৱাঙ্গৈইনা শীন্দুনা পলসেস ফোর ষ্টেনেবল ফূদ সিক্যুরিটি : প্রোস্পেক্ট এন্দ চেলেঞ্জেস হায়বা টোপিক্তা পাঙথোকখিবা জোনেল লেবেল ষ্টুদেন্টস সাইন্স সেমিনার ২০১৬ দা থাংজম চনু সিমরন, ক্লাই নাইন, ষ্টেটর্ন্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা ফর্ষ্ট অমসুং মার্সেল চনম্বম, ক্লাই নাইন, খুমন মহৈকোলনা সেকেন্দ তাখ্রে। মখোয় অনী ষ্টেট লেবেল সাইন্স সেমিনার, ২০১৬ তা শরুক য়ানবগীদমক্তা খনগৎলে হায়রি

## বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবদি...

*লামায় ১গী মখা...*লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবনি। ষ্টেট অসিদসু বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবদি হীরম কয়াদা চাউখৎপদা খোঙজেল য়াংশিল্লক্কনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চহী খরা পায়রকপা মতম অসিদা লৈবাক অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা য়াংশিল্লক্লি। অওনবা কয়া অমা পুরক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ভবানন্দনা হায়খি, পোলিটিসিয়নশিংনা লৈঙাক শোয়রবদি মীয়ামদা অৱাবা নংই। ষ্টেট অসিদা ওইরিবা ফীভম কয়া অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা খন্ন-নৈনমিন্নবা মতম ওইরে। অফবা লৈঙাক পুরক্নবগীদমক অফবা মীহুৎশিং খনবা চঙই। মীয়ামগী য়াইফনবা থবক্কীদমক কখোকপা ঙমগদবা লূচিংবশিং খল্লসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ থোঙাম বিশ্বাজিৎনা হায়খি, বি জে পিনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রকপদগী মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। ষ্টেট অসিদসু চাউখৎপদা খুমাঙ চাউশিনহন্নবগীদমক অফবা লৈঙাক মথৌ তারে। কোংগ্রেসনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকপা মতমদা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা থোইদোক্না অহোংবা লৈতে। চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক অওনবা লৈঙাক অমা মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল দেবেননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## মেদল লাউথোকপদা...

*লামায় ১গী মখা...* ৬শুবা আই আর বি পাঙ্গৈগী কম্মান্দেন্ট এম দি ফিরোজ খান (আই পি এস), তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সব-ইন্সপেক্টর কিয়াংসু এন্থোনি অমসুং ২শুবা বটালিয়ন এম আরগী হবিল্দার অছে কুমার প্রধাননি। মসিদসু নত্তনা পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি, রিপব্লিক দে-২০১৫সু ইম্ফাল ৱেষ্ট সী দি ও য়ুনিটকী কন্সটেবল গুইতে খামজমুংনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ইন্সপেক্টর এস খোমদোনদসু প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর দিষ্টিঙ্গুইজ সার্বিস, রিপব্লিক দে-২০১৫সু লান্থোক্কদৌরি।

## পুনশিন্নবা ঙমদ্রিমখে...

*লামায় ১গী মখা...*পাইহনখি। থৌরমদুদা য়ু এফ ওগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই মৈরাবা, কর্বি ৱার্কিং কম্মিটি ওফ নোর্থ ইষ্ট পিপলগী মীহুৎ রাম সিংহ কাতা, নোর্থ ইষ্ট পিপলস পার্লিয়ামেন্ট ত্রিপুরা চেপ্টরগী কনভিনর জতেন্দ্বর রিয়াংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইট কেম্পেন (সিরকা) মণিপুরনা জোনষ্টোন স্কুল মনিংদা কৈথেল ফম্বী নুপীশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা কৈথেল অসিদা পাখঙবা পাফলগী ফিরাল চিংখৎতুনা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ত্রিপুরা পীপলস ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট পটাল কাইন্যা, এন আই পি পি ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর রাম সিংহ কথা, এন আই পি পি ত্রিপুরা চেপ্টরগী জালেন্দ্র রিয়াং, ত্রিপুরা পীপলস ফ্রন্টকী মেম্বর দেব বর্মা অমসুং সিরকাগী স্পোক্সপর্সন নিংথৌজা লালচানা দেইস মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## গাড়ী হুরানবনি হায়দুনা ফুবদা...

*লামায় ১গী মখা...* জে এ সীগী কনভিনর এম দি মনোজ খান্না মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংদা হায়খি, মীয়াম্না গাড়ী হুরানবনি হায়না মরাল শীরিবা মীওই অহুম অদু ইম্ফালদগী মোরেদা গাড়ী অহনবা পুশিল্লগা লল্লোনবশিংনি। লৈকায়গী অহল অমা লৈখিদবগী পাউ শঙ্গাইয়ুম্ফমদা লৈবা মরী-মতা অমগী য়ুমদা পীরুরগা হল্লকপদা চৈ পায়দুনা লৈরম্বা মীওই খরনা মখোয়বু খাল্লগা গাড়ী হুরানবনি হায়না মরাল শীরগা ফুরকখিবনি। এম দি মনোজ খান্না মখা তানা হায়খি, মরম চাদনা লম্বীদা চৎপা মীওইবু গাড়ী হুরানবনি হায়জিন্দুনা ফুবগী থৌওং অসি য়ানিংদে। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং লৈঙাক্না অথুবা মতমদা ফাগদবনি। থৌদোক্তুনা চেন্নরিবশিংনসু মখোয়বু করিগীদমক্তা ফুরিবনো হায়বদুসু শেংদোক্কদবনি। পুং ৪৮ গী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না এক্সন লৌখৎত্রবদি জে এ সীনা অকনবা খোঙজং চত্থগনি অদুগা অশিবা হকচাংসু লৌরোই হায়রি।

MBBS IN RUSSIA

Direct Admission without Donation & Screening Test

VORONEZH STATE MEDICAL ACADEMY

₹ 1.67 L for Tuition Fee & Hostel Fee for I Semester

(www.raieducation.com)

*₹ 1.50 L for Admission Procedure, Visa, Air Ticket Delhi to Institute.*

*(MCI Result 100% Success till Today)*

*Please Contact :* M. INAOBI SINGH

Shamurou Mayai Leikai

Opp. Shamurou Kangjeibung

☎ 9612277401 / 9612294036

HL-B/3241/ 4/8 - 3/9

## মুসুনসু মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) না শীন্দুনা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা ঙসি মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

বৃটিশকী মখুৎতগী মণিপুরনা নীং-খা তম্বা ফংখিবা থৌরম কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা লৈবা মুসুগী ওফিস মমাঙদা পাখংবা য়েকপা মণিপুরগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মুসুগী প্রসিদেন্ট চিংশুবম মংলেমতোননা লুচিংদুনা ফিরাল চিংখৎলবা মতুংদা মহাক্না থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, মতম অমদা ইরমদম অসি নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্মী। মালেমদা বৃটিশনা লোয়লম লৈঙাক শন্দোরকপদগী লমদম অসি মীখা পোন্দুনা হিংলকখি। কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ১৪ দা মণিপুরবু বৃটিশনা মনিং তম্বা অমুক হন্না পীরমখি। অসিগুম্বা নুমীৎ অসিবু তুংদা লাক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা অমুক হন্না নীংশিংহনবা ওইনা চহী খুদিংগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপগুম হন্দক চহীগীসু পাঙথোকপনি।

ইরমদম অসিগী মনিং-মখা তম্বা ফংজরে। অদুবু ঙসি-ঙসিমক মীয়ামগী অপাম্বা ওইনা মখল মখা কয়াগী দিমান্দ হায়বদি আই এল পি, সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দনচিংবশিং তান্দুনা লাক্লি। মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং অসি তুংগী য়াইফনবা অমসুং ঐখোয়গী শক্তমবু কঞ্জনবগী খোঙজংশিংনি। লমদমসিগী য়াইফনবা দিমান্দ তৌরিবা খুদিংমক লৈঙাক্না তাবীবরা নৎত্রগা তাবীদবরা হায়বসি মখোয়না তৌথোরকপা থবকশিংনা তাকচবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ওল্ড লম্বুলেন কম্ম্যুনিটি হোল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ ঃ ওল্ড লম্বুলেনদা নৌনা শাবা কম্ম্যুনিটি হোল অমা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা শগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ, আর কে ইমোনা চীফ গেষ্ট ওইখি অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কম্মিস্নার বিনো, ৱার্দ নম্বর ৱানগী লিংনু থাংজোমসু শরুক য়াখি। এম এল এ, আর কে ইমোনা হায়খি, মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটিদগী লুপা লাখ ১৫ লৌরগা শানবা হোৎনবদা শেলগী অৱাৎপা লৈবদগী এম এল এনা লুপা লাখ ২ হাপ্লগা শাবা লোইশিনখিবনি। অহলশিংনা মফম অসি পীকপনিনা মথক্তসু হাপ্লগা শানবা ৱাফম হায়বীরকপদগী ৱার্ক প্রোগ্রামদা হাপ্লগা শাখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর অৱাজ যোজনগী মখাদা য়ুম শাগদবা ময়ামগী ফোর্ম থাগৎপা য়ারে। টিননা নৎত্রগা ঈনা কুপ্পা লৈবাক্কী ফল্লাং ওইবা চেক্কী নত্তবা য়ুম লৈরগদি লুপা লাখ ১.৫ গী তেংবাঙ পীরক্কদৌরিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনসু সর্ভে তৌরিবনি। মসিদা চিৎথবা য়াওরবসু পাউ পীবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## বেঙ্গুন মনিং অৱাং সলাম লম্বী শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ ঃ বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ইগজিক্যুটিব মেম্বর ওইবতা নত্তনা ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কোংখাম রোবিন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা বেঙ্গুন মনিং অৱাং সলাম লম্বী শেমজিনবা হৌহনখ্রে।

লম্বী শেমজিনবা হৌহনখিবা অদুগা মরী লৈননা কোংখাম রোবিন্দ্রোনা হায়খি, ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লম্বী কয়াগী ফীভম ফৎতবনা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। লৈঙাক্না শেমজিনবীদ্রবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী লম্বী কয়া অসি মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা শেমজিনবগী থবক মখা তানা চত্থখিগনি। বেঙ্গুন মনিং অৱাং সলাম লম্বীদা চথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা অসি খরদং ওইরবসু কোকহন্নবগীদমক লম্বী অসি শেমজিনবদা মতেং পাংবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বেঙ্গুন মনিং অৱাং সলামদগী এম দি তোম্বনা হায়খি, মীওই কয়ানা নুমীৎ খুদিংগী চথোক চৎশিন তৌরিবা লম্বী অসি এ সী অসিগী মীহুৎ ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈগী মতমদা শেমজিনবীরমদ্রবা লম্বীনি। লৈঙাক্না শেমজিনবীদ্রবা লম্বী অসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক কোংখাম রোবিন্দ্রোনা শেমজিনবীবা অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ১৫-৮-২০১৬, নিংথৌকাবা, থৱানগী ১২ নি পানবা, নুংথিলগী পুং ০৫.২৩ দগী ১৩ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি সম্থোং, নুংথিলগী পুং ০৫.২৩ দগী মখা

**মেষ ঃ** ৱাখল হোংবা পীবা, চাউখৎপা, খঙহৌদনা মখা থাবগা শাউনবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মীনা শক খঙবীবা, চাউখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ তীন্নবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**বৃষ ঃ** মীনা নুংশিবীবা ৱাৎকনি, লন চঙবা লৈগনি, শাউনিংবা ফাওবা, মরুপনা য়েক্নবা ওইবা মতাংনি, পূক্নিং ফাথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ অরংবা পোৎচৈদা কান্নজবা, থবক মফম চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ নীংবা থুংগনি, লৈরাং লৈনম লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ, ঈশিং মরী নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

**মিথুন ঃ** মীনা চানবীবা, ৱাখল নুংঙাইবা পীবা, ইচা ইনাওগী মতেং ফংগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং লাংগনি।
হকচাং ঃ মীৎ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, ঘী।

**কর্কট ঃ** চাউখৎপা লৈগনি, শেল চৎপা হেনবা, নুংনাংবা পীবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ য়েক্নবা য়ামগনি, অরু অনানগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্নবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক, খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

**সিংহ ঃ** মথক থোংবা মীওইদগী খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা, লম কোয়বা চৎনিংলকপা পীগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ মীৎ মৈগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**কন্যাঃ** পোৎমাঙ চৈমাঙ লাকপা, লাংতক্নবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী পোথোক্তা চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ঈকায় নুংশি য়ানগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**তুলাঃ** তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ মাঙবনা হেল্লি, চীঙ্গাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অশাউবনা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ শরূ শিংলিদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

**বৃশ্চিক ঃ** অৱা নুংঙাই য়ানগনি, য়ুমগী থবক্তা পূক্নিং লাংগনি।
লাল্লোল ঃ মৈগী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লাপ্পম্বনা নকশিন্নিংগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।

**ধনু ঃ** অপাম্বা থবক্তা অয়েৎপা লৈ, মথক থোংবগা মুক্নবা, খোয়শাউনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ অনৌবা থবক লাক্কনি, সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মকর ঃ** ৱাখল নুংঙাইবা, তৌরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা নুংশিবীগনি।
লাল্লোল ঃ থবক্তা অহোংবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চান্নে।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং লাংবা, ঈকায়বা নংগনি।
হকচাং ঃ মচেক ময়া পানবগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ ঃ** মীনা চানবীবা, অকাউবা পীবা, থবক্তা চাউখৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**মিন ঃ** ইমুং-মনুং লাংবা, শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা লৈগনি, লমদা চৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ সনা লুপা, ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ কোক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।

